স্পেনগী ভিল্লারিয়ালনা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পেনাল্টি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা য়ুরোপা লীগকী টাইটল লৌখ্রে

WINNERS
UEFA EUROPA LEAGUE 21

গদানস্ক, মে ২৭ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা পোলেন্দগী গদানস্ক সিটিদা লৈবা মৈস্কি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব ভিল্লারিয়াল অমদি ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী লম্বা অদুদা পেনাল্টি শুট আউটতা ভিল্লারিয়ালগী টিমনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা শান্নবা ঙমখিবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মখোয়গী সেমীফাইনেল রাউন্দদা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব রোমাবু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৮-৫দা থোইবা ঙমখি। টিম অদুগী সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা রোমাবু পাঞ্জল ৬-২দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা লেগতা ইটালিগী ক্লব রোমানা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-২দা থোইরবসু এগ্রিগেটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফাইনেল চঙলকখিবনি। নাকল অমরোমদা, স্পেনগী ভিল্লারিয়াল অমদি অতোপ্পা ইংলেন্দগী ক্লব অর্সনেলগা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগতা স্পেনগী ক্লব অদুনা পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রবা মতুং অনীশুবা লেগতা টিম অনী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী এগ্রিগেটতা ভিল্লারিয়ালনা পাঞ্জল ২-১দা হেনবদগী ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙরাং অথেংবদা পোলেন্দগী সিটি গদানস্ককী মৈস্কি ষ্টেদিয়মদা ভাবোক লিশিং ৯,৪০০ রোম্না মীৎয়েং তাদুনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগীনা লোইবা ফাওবা টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী হৌরকপা পুংখায় ফাগদবা মিনট ১ ৱাৎলিঙৈদা ভিল্লারিয়ালগী মায়কৈদগী জেরাদনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা চৎলিবা সিজন অসিদা নৌনা শরুক য়ারকখিবা কবানিনা ৫৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা মায় পাক্নবগী পাঞ্জল থিনবা হোৎনরকপদা খূদোংচাবা কয়া ফংনরবসু মখোয়না পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদবদগী মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখি।

মশান্না অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না অপীবা মতমদা মায় পাকপা টিম মশক খঙননবা হোৎনরকপদা মিনট ১৫/১৫গী এক্সট্রা টাইম হাপ্পুনা মখা তানা মেটচ অদু শান্নরকখি। মদুদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা মশান্নশিং অদু কান্নবা ফংখিদবদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা পুংখায় অমগী মতম অদু লোইশিনখিবদগী য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন মশক খঙদোক্নবা পেনাল্টি শুট আউটতা মখা তানা লম্বা য়েংনখি।

পেনাল্টি শুট আউট অদুদা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব ভিল্লারিয়াল অমদি ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা কাওখিবা পেনাল্টি কিক্‌শিং অদু অমত্তা শোয়নদনা লাকখিবদগী স্কোর ১০/১০ ফাওবা লৈনরকখি। মালেমগী ওইনা ফুটবোল মশান্নগী লৈরিবা পেনাল্টি শুট আউটকী কাঙলোনগী মতুংইন্না অহানবা শান্নরোয় ৫/৫না কাওনবা কিক্‌শিং অদুদা মায় পাকপা ঙম্নরগদি মেটচ অদু লোইশিনগদবনি। অদুবু ঙরাংগী মেটচ অদুদা শান্নরোয় ৫/৫না কাওনশিবা কিক্‌শিং অদু মান্নখিবদগী মখা তাবা কিক্‌ ৫/৫ কাওনবদসু মান্নরগা অরোইবা ওইনা গোলকিপ্পর অনীগী কিক্‌ কাওনবদা ভিল্লারিয়ালগী গোলকিপ্পর রুলিনা কাওবদা পাঞ্জল চল্লগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী গোলকিপ্পর দি জিয়ানা কাওখিবা মহাক্কী কিক্‌ অদু রুলিনা ঙাকথোকখিবদগী ভিল্লারিয়ালনা টাইটল লৌখি।

ইন্দিয়াগী মেরি কোম অমদি সাক্সি এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

দুবাই, মে ২৭ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা যূম্ন ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি দুবাইদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী এম সী মেরি কোম অমসুং য়ুথ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর সাক্সি মখোয়-মখোয়গী সেমীফাইনেল বাউটশিং অদু মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী এম সী মেরি কোম মহাক্কী কিলোগ্রাম ৫১গী কেটগোরি অদুদা বাউট অমত্তা থিন্নদনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা সেমীফাইনেল বাউট অদুদা মহাক্না মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর লুটসাইখান অলটানসেটজেগকা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা রাউন্দ অদু বাউট অদুগী জজ মঙাগী মনুংদা অনীনা মেরি কোমদা ফেবর তৌরগা অতোপ্পা জজ অহুম্না মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সরদা ফেবর তৌখি। অদুবু অনীশুবা রাউন্দদা মেরি কোমগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলকপদগী জজ ৪না মহাক্কী ফেবরদা লৈরগা অতোপ্পা জজ অমনা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অদুদা লেপখি। সেমীফাইনেল বাউট অদুগী অরোইবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দদা জজ মঙাগী মনুংদা জজ ৪না মেরি কোমগী ফজবা মশান্না অদুদা পোইন্ট পীখিবদগী লোইশিল্লকপদা মেরি কোমনা স্কোর ৪-১দা মায় পাক্লগা ফাইনেল য়ৌদুনা সিলভর মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারকখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর মমাংদা য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবী সাক্সিনা কিলোগ্রাম ৫৪গী কাঙলূপ্তা লম্বা তৌনরকপদা কজাখষ্টানগী বোক্সর দিজা ঝোলামনগা য়াম্না অকনবা মওংদা রাউন্দ অহুম্মক লম্বা তৌদুনা লাকখ্রবা মতুং বাউট অদুগীদমক্তা লৈখিবা জজ ৫গী মনুংদা জজ ৩না মহাক্কী ফেবরদা লৈখিবদগী অদুগা অতোপ্পা জজ অনীনা কজাখষ্টানগী বোক্সর অদুগী ফেবরদা লৈখ্রবসু লোইশিল্লকপদা স্কোর ৩-২দা মায় পাক্তুনা মহাকসু এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ঙরাং ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর অমিট পনঘল অমসুং বরিন্দরনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং অথেংবদা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা নুপাগী বাউট অমদা বিকাশ কৃষ্ণননা কিলোগ্রাম ৬৯গী কাঙলূপ্তা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মখোয়সু মেদল ফংবগী লম্বেল শেন্না লোইখি। য়ামদ্রবদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং কন্টিঞ্জেন্ট অসিনা দুবাইদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল ১৫দি শোয়দনা ফংলগনি। বিকাশ কৃষ্ণননা ঙরাংগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা ইরানগী বোক্সর মোস্লেম মাক্সোবিবু স্কোর ৪-১দা থোইখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংনা টোকিও ওলিম্পিক্স শৌগৎলক্লি

পেরিস, মে ২৭ (এজেন্সী):

মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯না হৌখিবা চহীদগী পীরক্লিবা চৈথেংনা মরম ওইরগা চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস কুমজা ২০২০দা জপানগী কোনুং টোকিওনা জুলাই ২৪দগী পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু চহী ১ য়ৈথোক্লগা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌননবা শিল্লিবা অসিদা নৌনা লাকপা কোভিদ-১৯গী ৱেভনা মখা তানা চৈথেং পীরবসু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংনা জপান লৈঙাক্না ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লবগী মতাংদা চাওনা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংগী মনুংদা উর্সুলা ভোন দর লেয়েন অমদি চার্লস মিসেলনা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগাগা পূন্না ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানখিবা অমদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপদা অচৌবা মতেং পীদুনা য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈহল্লোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মরক অসিদা পনবা য়াবদি, জপানগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরা মফম অদুদা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা মরম ওইদুনা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি থম্বা লৈখ্রবনি। ইমর্জেন্সি থা অসিগী অরোইবা ফাওবা লৈখিগদৌরি।

জপান লৈঙাক অমদি ওলিম্পিক ওর্গনাইজর য়াওনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক এসোসিএসনগী অপূনবা খোঙথাংদা ওলিম্পিক গেমস অসি মপূং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক্তা লৌখৎলকপা থবকশিংগী মনুংদা মপান লমগী ভাবোক য়াওদনা শান্নরোয় খক্তগী ওইবা ওলিম্পিক গেমস অমা ওইরবসু মখা তানা মতম য়ৈথোক্তনা পাঙথোক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখ্রবনি।

সিনিয়র শান্নরোয় গুরপ্রিট অমদি অর্মিন্দরগা ট্রেনিং তৌমিন্নবদা হান্না ফংলমদবা লৌশিং কয়া অমা ফংবা ঙম্লি : মোইরাংথেম ধীজর

ন্যু দেল্লী, মে ২৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী লম্‌দা হান্নদগী মমিং লৈরবা গোলকিপ্পর গুরপ্রিট সিংহ সান্ধু অমদি অর্মিন্দর সিংহগা লোয়ননা পূন্না ট্রেনিং ফংবদা মমাংদা ফংখিদবা লৌশিং কয়া অমা ফংবা ঙম্লি হায়না নৌনা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পরগীদমক্তা খনগৎলবা মণিপুরদগী হৌখিবা মোইরাংথেম ধীরজনা ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহী ২০দা ঙাইরিবা মোইরাংথেম ধীরজ কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফাগী চহী ১৭ মখাগী যূম্ন ওইদুনা শান্নখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান গোলকিপ্পর ওইরগা ফজবা পর্ফোর্মেন্স কয়া উৎখিবা অদুনা মহাক চহী ৩গী মতুংদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিমগী প্রোবেবলদা মমিং য়াওরকখিবনি।

পনবা য়াই, চহী নৌরিবা মোইরাংথেম ধীরজনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংদা শরুক য়ারক্লবা মতুং হৌখিবা সিজনদা এফ সী গোৱাগী নম্বর ৱান গোলকিপ্পর ওইদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ মেটচতা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মমিং লৈরবা এসিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনবদা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা গ্রুপ মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা গোলকিপ্পরগী মনাসু ফংখ্রবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী টিমগা ৱারী শানখিবা অমদা মোইরাংথেম ধীরজনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী চহী নৌরিবা তাঙ্কক অসিদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সিনিয়র গোলকিপ্পর গুরপ্রিট সিংহ অমদি অর্মিন্দর সিংহগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌমিন্নবা অমদি টিমগীদমক্তা মহাকপু গোলকিপ্পর অমগী মমিং ওইনা লাউথোরকপা অদুদা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোরকখি।

গুরপ্রিট অমদি অর্মিন্দরনা মহাকপু ইন্দিয়াগী সিনিয়র নেসনল ফুটবোল টিমদা গোলকিপ্পর অমা ওইনা খনখিবা প্রোবেবলদা মমিং য়াওরকপদা য়াম্না চাওনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মখোয়না মহাকপু মচিন-মনাওগুম্বা অমা ওইনা লোয়নখি। মসিগীদমক্তা মহাক্না সিনিয়র গোলকিপ্পর অনীবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এলাংবম খোমৈ লৈখিদবদা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা জিবন হোস্পিটাল ককচীংদা মতম খরা লায়েংলবা মতুং ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটিগী আই সী য়ুদা লৈরম্লবা মতুং লৈখিদ্রবা মণিপুরগী নেসনল ভোলিবোল শান্নরোয় অমা ওইরম্বা অমদি মশান্না অসিবু চাউখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা য়াংদোং ককচীংদগী এলাংবম খোমৈনা লৈখিদবদা লমদেং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন লমদিং খুমন্থেমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, থৌবাল য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবালগী ষ্টাফশিংনা দিপার্টমেন্ট অসিদা ফিজিকেল এদ্যুকেসন টিচর (পি ঈ টি) ওইনা থবক তৌরম্বা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী য়াংদোংদা লৈবা এলাংবম খোমৈনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা চৎলিবা থা অসিগী ২৫দা লৈখিদবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফশিংনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা খোমৈনা হিংলিঙৈদা ওফিস অসিগী চাওখৎনবা অমদি ভোল্লিবোল মশান্নবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনরকখিবা থৌদাংবু নৌহৌনা নীংশিংলদুনা লৈখিদ্রবনা মপূগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

পটিয়ালা, মে ২৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা পঞ্জাবতা লৈবা পটিয়ালাগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে।

ইন্দিয়াদা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট খূদিংমক্তা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অচৌবা অৱাবা পীবা লৈরবসু শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা মখা তানা শান্নরোয়শিং অমদি কোচকা লোয়ননা সপোর্ট ষ্টাফশিংবু পূক্নিং হন্থদনবগীদমক্তা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমগী মতুংইন্না নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস কোচিংনা শীন্দুনা হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম অসি হৌদোকখিবনি।

হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা অমদি তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশীনবা থুংনা লৈরিবা নেসনল সেন্টর ওফ এক্সলেন্স অমদি ট্রেনিং সেন্টরশিংদগী লাকপা মকোক থোংবা কোচ ২৫০দা প্রোগ্রাম অসি ফংহনগদৌরিবনি। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিনা কোনশিল্লিবা মকোক থোংবা কোচ ২৫০না মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং অদুদা মতীক চাবা ট্রেনিং ফংলবা মতুং মখা তানা মখোয়গী মখাদা নৌনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংদা মালেমগী ওইনা লৈরিবা শান্নবগী অনৌবা কাঙলোনশিং অসিগা লেং মান্ননা ট্রেনিং পীবা ঙম্লগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখি।

মালেমদা মীশীং য়াম্বগী চাংদম্নরুবদা ইন্দিয়ানা চাইনাদগী হন্থরগা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবনি। অদুবু শান্নবগী হীরমদদি চাইনাগা চাংদম্নরুবদা ইন্দিয়াগী মীশীং য়াম্লবা অসি মতম কুইনদগী শোত্থদুনা লাকখি। অৱাৎপা অসি মেনশিন্নবা হোৎনবগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংদা শান্নবগী অফবা কোচশিং পুথোক্লবদি মখোয়না অনৌবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংদা মরিক চুম্বা মালেমগী ওইনা চৎনরিবা মশান্নগী কাঙলোনশিং অদু তাকপী-তম্বীবা ঙম্লবদি ইন্দিয়াসু মতম শাংনা লৌদবদা শান্নবগী হীরমদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন ফোঙদোরকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ভর্চ্যুএল ওইনা পাঙথোকখিবা মীফমদা মীরমগী কোচশিংনা অফবা টেক্নিকশিং পুরক্লগা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় শেমগৎপগী খোঙথাং শৌগৎলবসু ইন্দিয়াদা লৈরিবা অফবা শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিংবু অহেনবা মওংদা পূক্নিং থৌগৎলবদি লৈবাক অসিদগী মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় কয়া অমা থোরকপা ঙমগনি হায়না চীফ নেসনল বেদমিন্টন কোচ গোপিচান্দ, স্পোর্টসকী য়ুনিয়ন সেক্রেটরি রবি মিটল অমদি সাইগী দি জি সন্দিপ প্রধান য়াওবা মীফম অদুদা ফোঙদোকখি।

বালা শোকখ্রবসু রেঞ্জর্সনা ফোর্ফার ফার্মিংটনবু ৪-০দা থোইখ্রে

গ্লাসগো, মে ২৭ (এজেন্সী):

মণিপুর খক্তগী নৎতনা ইন্দিয়া অমদি এসিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স ৱিমেন্স ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়াদুনা মফম অদুদা পাঙথোকপা স্কোটিশ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ঙাঙোম বালা মেটচকী ১১শুবা মিনটতা শোকখ্রবসু মহাক্কী টিম অদুনা লম্বা ওইখিবা ফোর্ফার ফার্মিংটনবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

টিম ৮না লম্বা তৌনদুনা শান্নরিবা স্কোটিশ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা বালাগী টিম রেঞ্জর্স এফ সীনা ফোর্ফার ফার্মিংটনগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১১শুবা মিনটতা বালা শোকখ্রবা মতুং মহাকপু জো নেসনা মহুৎ শিনখি। মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা টিমমেট দাইনা বোর্মানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ফোর্ফার ফার্মিংটনবু ১-০দা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা মেটচ অদুদা ফোর্ফারগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চথদুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা রেঞ্জর্সকী সাম করনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং ফোর্ফারগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকপা অদু অরেম্বা তাখি। শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা রেঞ্জর্সকী সান্টেলে স্বাবিনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং মিনট ৭ লৈরগা অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয় লিজি অর্নোটনা ৯০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু রেঞ্জর্সনা ৪-০দা থোইবা ঙমখি।

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা খেলো ইন্দিয়া সেন্টরগী দিসিপ্লিন অমমম্ হাংদোক্নবা থবক লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবাক অসিদা শান্নবগী হীরমদা অহেনবা থাক্তা মালেমগা চুনবা মওংদা শান্নরোয় পুখৎনবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুংদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমমম্‌গী ওইবা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংদোক্লগনি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ৭তা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১৪৩ নৌনা হাংদোক্নবগী অয়াবা পীখিবা অদুদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা শান্নবগী দিসিপ্লিন অমমম্‌গী ওইবা সেন্টর অমমম্ থম্নবগী খূদোংচাবা ফংখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচীং, চান্দেল, তেংনৌপল, বিষ্ণুপুর, চুড়াচান্দপুর, ফেরজোল, কাংপোকপী, সেনাপটি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, তমেংলোং অমদি নোনেদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর অমমম্ হাংবগী খূদোংচাবা অদু লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী হৌগৎলকপদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ইম্ফালদা লৈবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ওফ এক্সলেন্স হাংদোকখিবনি। হায়রিবা সেন্টর অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা হৈথোই-শিংথোইরবা শান্নরোয়শিংবু মালেমগী থাক্তা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইহন্নবগীদমক্তা ট্রেনিং পীবদা চঙবা য়াবা পোৎলমশিং অদু থম্নবা হোৎনরকপনি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টরশিং হাংদোকখ্রবা মতুং মণিপুরদসু লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা খেলো ইন্দিয়া সেন্টরশিং অসি হাংদোরকপনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টরগী অয়াবা অদু ফংলে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ওইরিবা টি ফুলেন মৈতৈনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াই, খুমন লম্পাক্কী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সলেন্স অমনি হায়না শকখঙদুনা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা কুমজা ২০২০দা ভর্চ্যুএল ওইবা ফঙ্কসন অমদা শকখঙখিবনি। আর্চরি, হোক্কী অমসুং ৱেথলিফটিং মশান্না অহুমদা ষ্টেট অসিনা অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্নবগীদমক্তা সেন্টর অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌখৎলি। ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট ৭তা সেন্টর ১৪৩ মশক খঙখিবগী মনুংদা মণিপুরদসু সেন্টর ১৬ লৈদুনা অফবা শান্নরোয় পুথোকপা ঙমগদৌরি।

[illegible]

EMPLOYMENT NEWS

(Bricks Mistry + Jugali Needed)

☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজে।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-B/6970/16/5-13/7(alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 122

Franke, Reiner (2290) - Nautsch, Werner (2340)
Bundesliga 8081 Germany, 1981

1.Nf3b6 2.g3Bb7 3.Bg2Nf6 4.O-Oe6
5.c4Be7 6.b3O-O 7.Bb2d5 8.e3dxc4
9.bxc4c5 10.Qe2Nc6 11.Rd1Qc7 12.Nc3Rad8
13.d3Rd7 14.Rd2Rfd8 15.Rad1Qb8 16.d4cxd4
17.exd4Ba6 18.Nb5Bb4 19.d5exd5 20.Ne5Nxe5
21.Bxe5Qc8 22.Bxf6gxf6 23.Rd4Bc5 24.Rg4+Kf8
25.Qd2Rd6 26.Rh4Bxb5 27.cxb5Qf5 28.Bh3Qf3
29.Bg4Qe4 30.Bh3Qg6 31.Rf4Re8 32.Re1Re5
33.Rg4Rg5 34.Rf4h5 35.Ra4Rd8 36.Re2d4
37.Bg2h4 38.Be4f5 39.Bd3hxg3 40.hxg3Kg7
41.Rxa7Rh8 42.Bc4...

QUESTION :

Black to win

Puzzle 121 Ans. :

34. ...Bf6 **35.**Rxh7+The white rook deflects Black's rook away from protecting the square g8.Rxh7 **36.**Qxf6+The white queen deflects Black's rook away from protecting the square g8.Rxf**6** **37.**Rg8#Backrank mate

35. Qg3 Qe7 **36.**Kxg2 Bh4 **37.**Rxh7+ Kxh **738.**Be4+ Qxe4+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com